# লাইনি হায়রল্লগা শিবগী চৈরাক ফংখিবা শোকো আসাহারা

থম্মোয় পাউদম | ও সি মৈরা



মা লেমসিদা ঙল্ল-ঙল্লবা মী য়াম্না লৈ। লাইনা কিবা মীসু লৈ। অদুগা লাই হায়বদো মহাকনি হায়জবা মীসু য়াম্না লৈ। লাই শারম্বদগী ফারগা জেলদা লৈখিবা মীসু লৈ। মী হায়বসিনা পাঙথোক্কে খনখ্রবদি ঙমদবসু লৈতে। অদুনবু হায়নরিবনি মীনা শেম্লগা লাই ওই হায়দুনা। মালেমদা লৈরিবা মীওই ১০০ গী মনুংদা মঙাদি লাই থাজদে। অদুগা মীওই ১০০ গী মনুংদা অমনা লাইনা থারকপা মীনি হায়নিংই। মীওই ১০০ গী মনুংদা ৫০ না লাইনা চানবা মীনি হায়জে। পাজরিবা অসিনা চুম্লে হায়না খনবীরগদি মালেমদা লাই থাজবা মী ১০০ গী মনুংদা ৫০ হেন্না লৈ হায়বসি ময়েক শেংলে। অদুগা মালেমদা লৈরিবা লোইশিনবা ঙমদ্রবা থৌদোক ৰাথোক ১০০ গী মনুংদা ৭০ হেনবনা লাই-তিনগা মরী লৈনবা থৌদোক ৰাথোক ওইরি হায়বসিমসু মতম পুম্নমক্তা চুমদুনা লৈরগদবা ৰাফমনি।

লাই লৈ নৎত্রগা লৈতে হায়দুনা য়েৎনবা অসিদি মতম পুম্নমক্তা অদুম্মক লৈরগদবা মরৈনি। মরৈ অসি লোইশিনবা ঙমগদবা মীসু মালেমদা পোকখিদ্রি। পোল্লক্কনি হায়বগী থাজবসু লৈতে। অসিগুম্বা লাইগী অমসুং লাই শানিংবগী মীওইশিংগী ৰাখল অসুম্মক খল্লকপদা শোকো আসাহারা কৌবা মীওই অমা নীংশিংলকই। মমিৎ উদ্রবা লাইরবা নুপা অসিনা ২০ শুবা চহীচা অসিদা লাইগী মিংদা জাপান অমসুং যু এস এগী মীয়াম্বু পুমঙাও ঙাওহনখি। মহাক্কী থবকশিংদা মীয়ামগী পুক্লিংদা অকি-তুজুংবা পোকহনখি। নুপা অসিবু মীয়াম্না ওসো হায়রগা খঙনখি। অশেংবা মমিংনা চিজুও কৌই। মহাক মশানা অমসুং মহাক্কী তুংইল্লোইশিংনা শোকো আসাহারা হায়বা মিং অসি শীজিন্নবদগী কোন্নদি মীয়াম্না মিং অসিদা ওইনা শকখঙনখি।

লাইগী শাইওলনি হায়জিন্দুনা মীয়াম্বু পংথহল্লগা য়াল্লবা শেনফমশিং খোমগৎখি। মীয়াম্বু কনবীগদবা মেসিহনি হায়জিন্দুনা মীয়াম্বু অপংবা শিখি। মহাক্না কেমিকেল ৱিপন শাদুনা জাপান পুম্বা কিবনা থক-থক নীকহনখি। অদুবু হুরানবগী তরানি মপুগী নোংমা হায়বদুনি। মহাক্কী ওইদবা থবক থৌরম পুম্নমক খঙনরকখি। জাপান লৈঙাক্লা মহাকপু ফারগা ৰায়েল চথখি। মমৈথংদা শিবগী চৈরাক পীখি। চিজুও কুমজা ১৯৫৫ গী মার্চ ২ দা জাপানগী খা থংবদা লৈবা ক্যুসু ইথৎকী য়াটসুহিরো হায়রিবা মফম অসিদা পোকখি। মহাক্কী ইমুং-মনুং য়াম্না লাইরবা ইমুংনি। চরুগী ফক শারগা হিংনবা হোৎনখিবা ইমুংনি। অদুবু কোন্নদি ইনাক-কৈরাক খুল্লবা ইমুং হায়বদু ওইখি।

লাইরবগী চৈনা খাংলিঙৈদা গ্লাউকোমানা নারক্তুনা মমিৎ উখিদে। মীৎতাংবনা থন্না তম্বা মহৈতম্ফমশঙ অমদা তমদুনা মিং উদবা অমনা লৌবা য়াবা খুদোংচাবা পুম্নমক মহাক্না লৌখি। অদুবু মহাক্কী মমিৎ য়েৎতি খরা খরদি উরিবনি। মহাক্না মহৈতম্ফমশঙ অদুগী মহৈরোয়শিংগী লুচিংবা ওইনবা কন্না হোৎনখি। অদুবু মহাকপু কনানসু লুচিংবা ওইহন্নিংখিদে। লুচিংবা খনবগী চাংয়েংদা মহাক মায়থিদুনতা লৈখি। অদুবু কন্না হোৎনবদগী মমৈথংদদি মহাক লুচিংবা ওইদ্রবসু জুদোদা ব্লেক বেল্ট ফংখি। মহৈ-মশিন তম্বা লোইরগা পোলিটিকেল পার্টিদা মিং চনখি। জাপানগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইনিংবগী অপাম্বা মঙোন্দা লৈখি।

মহাক হোৎনবা য়াবা হোৎনরবা মতুংদা যোগ, হীরি কোনবা (মেদিটেসন), এক্সপঙ্কচর অমসুং চিনাগী হীদাক লাংথক্কী মরমদা পূক্লিং চঙলম্মী। মসিদগী মহাক্কী অনৌবা লম্বী লাকখি। মীয়াম্না মহাকপু থাজনরকখি। মহাক্না মহী হোম্বা অপীকপা কমলা মহীগা যুগা য়ান্নরগা শেম্বা হীদাক শীজিন্নদুনা মীওই কয়াদা লাইয়েংবা হৌরকখি। তান-চান্নবদগী ফবা য়াওরক্তুনা মীয়াম্না লাই ওইনা লৌনখি। মমৈদদি লাইগী থৌজালনি। মশামক লাইনি হায়রকখি। মশানা-মশাবু লাইনি হায়বদগীদি তৌহৈবা তৌহৈদবা থিদনা থবক কয়া তৌরকখি। অরোনবা লম্বীদগী শেল তানবা হৌরকখি। মসিনা মহাক্কী মোংফম ওইখি। মসিদগী মীয়ামগী পাড়া ওইহৌরিবদি হেঞ্জিন্না পাল্লবদি মোংফম য়ৌই হায়বসিনি।

লৌশিং পুক্কে

# থাগী খোঙকাপ শোয়বা

কমদোনা ওইরকই, কমদোনা ঙাকথোক্কনি

নুপী ওইবীশিংদা থা খুদিংগী চাং নাইনা য়ুটেরসতগী ঈ থাদোরকপগী থৌওংবু মেন্সট্রুরেশন নৎত্রগা থাগী খোঙকাপ হায়না খঙনৈ। নুমীৎ ২৪ দগীনা ৩২ ফাওবগী মনুংদা অমুক-মুক থোকপা থৌওং অসি চাংচৎতা নুমীৎ হুম্নিদগীনা মঙানি ফাওবা চৎথৈ।



থাগী খোঙকাপকা মরী শুংলৈ-লৈনদবা মওংদা ঈশিং-থোঙদগী ঈ থোরকপা, নুমীৎ মশীং হেন্না ঈ লাকপা নৎত্রগনা করিগুম্বা কান্দা শুংলাক-লাক্তবা তারবদি মদুবু থাগী খোঙকাপ চাং নাইদবা হায়না খঙনৈ। কনাগুম্বা নুপী অমা মশাগী লাকফম থোকপা মতমদগী নুমীৎ ২১ ঙনখৎনা নৎত্রগা থেঙথনা থাগী খোঙকাপ লাক্লবদি চাং নাইদ্রে হায়না লৌবা য়ারে। য়াম্না তোয়না থা খুদিংগী নুমীৎ ২১ গী মমাঙদা খোঙকাপ লাক্লবদি মদুবু পোলিমেনোরিয়া হায়না খঙনৈ। নুমীৎ ৩৬ নিগী মতুংদা লাক্লগনা ওলিগোমেনোরিয়া কৌই। মসি নৎতবা মতম শুংনৎ নৎতবদা মরক্তা পুক য়েকপগা লোয়ননা ঈ খংলাক লাকপা য়াওই। মসিবু মেট্রোরেজিয়া হায়না খঙনৈ।

নুপী অয়াম্বদা চহী খুদিংগী থাগী খোঙকাপ ১১ দগীনা ১৩ ফাওবা লাকই। মসিদগী হেনগৎপা নৎত্রগনা তাথবসু য়াওদবা নৎতে। অহানবা হেক হৌগৎলকপা মতমদা থাগী খোঙকাপ অসি চাং য়াম্না নাইগন্দে। মসি থাগী খোঙকাপ্পু কন্ট্রোল তৌরিবা হোর্মোনশিং অকক্লবা চাং অমা য়ৌনা শেমগৎলকপদা মতম শাংনা চঙবদগীনি।

পুন্সিগী তাঙ্কক অমা নৎত্রগা অমদা নুপী খুদিংমক থাগী খোঙকাপ চাং নাইদবগী থৌওং অসি হেক-হেক মায়োক্কে। কনাগুম্বা খরদি অমুক্তং মায়োক্লরল্লগা অমুক হন্না মায়োক্ল রক্তবা তারবসু নুপী খরদি মতম শাংনা অমসুং চাং নাইনা অদুমক মায়োক্লদুনা লৈ।

নুংনাংবা পোক্লিংঙাই ওইবা মরম্না খোঙকাপ চাং নাইরক্তবগী চপ চাবা মরম খঙদোক্লবা হোৎনবা য়াম্নমক তঙাইফদে। থাগী খোঙকাপ লাকহনবা অমসুং লেপহনবগী থবক অসি হোর্মোনশিংনা তৌহনবনি। মরম অদুনা হায়রিবা হোর্মোনশিং অদুদা অকায়বা পীবা য়াবা থবক অমত্তং তৌরব্দা থাগী খোঙকাপ চাং নাইরক্তে।

থৱায় নুংঙাইতবা, ৰাখল ৰাবা অমসুং হেঞ্জিন্না খঞ্জিল্লুবা হায়বসি খোঙকাপ চাং নাইরক্তনবগী খ্বাইদগী মরু ওইবা মরম অমনি। কনাগুম্বা অমা ৰাখল ৰাবা নৎত্রগা হেঞ্জিন্না থবক শুরুবা নৎত্রগনা মতম শাংনা খোয়রাং-খোয়শাওনদুনা লৈরবদি মীওই অদুগী থাগী খোঙকাপতা অহোংবা শোয়দনা লাক্কনি। হকচাংগী অরুম্বা হেনগৎলকপা নৎত্রগা হস্তরকপনসু ফীভম অসি ওইহল্লকই। অমরোমদা, চাবা-থকপগী মওংনসু য়াম্না মরু ওইবা থৌদাং লৌই। অতে মরু ওইবা মরমশিংগী মনুংদা হেঞ্জিন্না হকচাং শাজেল তৌবা হায়বসিসু অমনি। কা-হেন্না হকচাং শাজেল তৌবদগী হকচাংদা য়াওবা ফেটকী শরুক খঙহন-হস্থখিদুনা খোঙকাপ লাক্তবা য়াওই।

কনাগুম্বা নুপী খরনা মেনোপোজ (খোঙকাপ খম্বা) মতম নকশিল্লক্লবা কান্দা খুদোংচাদবা অসি মায়োক্লবা য়াওই। নুপা-নুপী লোয়নরুরবা মতুংদা খোঙকাপ লেপখ্রবদি মীরোল্লম্বা য়াবা মরম্না অথুবা মতমদা টেষ্ট তৌদুনা কনফর্ম তৌবা মথৌ তাই।

মৈখু শীজিন্নবা, য়ু কা-হেন্না থকপা নৎত্রগনা দ্রগ শেরান্নবা শীজিন্নবা নুপীশিংসু খোঙকাপ চাং নাইদবগী অৱাবা মায়োক্লগল্লি। অতৈ অতোপ্পা মরমশিংদি সেক্সুয়েল্লি ট্রান্সমিটেদ দিজিজ (হক্তিন্নবদগী লৌনরকপা অনাবশিং), পোলিসিষ্টিক ওভারিয়ন সিন্দ্রোম (পি সি ও এস) অমসুং য়ুটেরাইন এবনোর্মেলিটিনচিংবনি।

নুপী ওইবী খুদিংমক্তা তঙাই ফদনা লৌখৎকদবা খোঙথাংদি থা খুদিংগী ওইনা খোঙকাপ লাকপা অমদি লেপখিবগী রেকোর্দ নীংথিনা মেন্টেন তৌবা হায়বসিনি। মসিনা মরম ওইরদুনা থাগী খোঙকাপতা খজিক্তং চাং নাইরক্তবা মতমদা ইরায়-লায়না খঙবা ঙমগনি। খোঙকাপ লাকপদা মতম শাংনা অহেনবা ঈ লাকপা তারবদি অতোপ্পা অরুবা অনাবা অমা লৈরম্বা য়াবা মরম্না খুদক্তা দোক্তরগা তান্নগদবনি। মচি ওইবা চীঞ্জাক মচল শুনা অমদি চাং নাইনা চাবনা হকচাং ফহনবতা নৎতনা হোর্মোনগী খল কায়হন্দবা মরম্না থাগী খোঙকাপসু চাং নাইহল্লি। ৰাখল চরাংনবা নৎত্রগা লাংতক্লবা থোল্লবদি নুমীৎ খুদিংগী মেদিটেশন তৌদুনা ৰাখল ফাথগদবনি।

মাঙজৌননা লৌখৎহৌবা য়াবা চেকশিন-থৌরাংশিংদি ফেটকী চাং নেম্না য়াওবা মখল-মখা কয়াগী চীঞ্জাকশিং চাবা, অতেনবা মতমগী মনুংদা হকচাংগী অরুম্বা অমদি অনোয়বা খংহন-হস্থহন্নবা থৌরাং খক লৌখৎতবা, মীরোন দনবা কোন্ট্রাসেপ্টিভ পিল চাগদবা লৈরবদি দোক্তরগা হান্না তান্নরম্বা অমসুং থাগী খোঙকাপতা খজিক্তং অহোংবা লাকপা থেংনরবদি পন্থবা তৌদনা দোক্তরগা তান্নবা অসিনচিংবনি।

# চীং-তমগী য়েলহৌমীশিংগী ফোক ম্যুজিক য়োকখৎপা ফেষ্টিবেল লোইশিনখ্রে



মিনিষ্ট্রি ওফ কলচর, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী শেন্থং মখাদা এক্টর রিপর্টরি ঠিএটর, শিংজমৈ ৱাংমা থিয়াম লৈরক্লা শীন্দুনা পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা ইবোয়াইমা শুমাং লীলা শঙলেন্দা ফেষ্টিবেল ওফ ট্রাইবেল এন্দ মৈতৈ ফোক ম্যুজিক ওফ মণিপুর, নুমীৎ নীনি চুপ্পা চথরকপা ফেষ্টিবেল ঙসি লোইশিনখ্রে।

সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টকী খারম পল্লেল ভিলেজদগী খারমগী ফোক ম্যুজিক্তা আর নৈকাচোং খারমনা লুচিংদুনা শকখি। সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা সন্দং শেনবা মরিং ভিলেজদগী এম এল মেদুন মরিংনা লুচিংদুনা মরিংগী ফোক ঈশৈ শকখি। সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট, সাইকুল সব-দিভিজনগী মনুং চন্না লৈরিবা পুরুম লীক্লি ভিলেজদগী মোমসোকম বাপুই পুরুমনা লুচিংদুনা পুরুম ফুরুপকী ফোক ঈশৈ শকখি।

ইম্ফাল ইষ্টকী মনুং চন্না লৈরিবা কৈখু ভিলেজদগী কাফুলসিলু কবুইনা, কবুইগী ফোক ঈশৈ শকখি। থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈরিবা কৈরক্তংগী থোকচোম পুন্সিবা মৈতৈগী খুল্লং ঈশৈ শক্তুনা মীয়ামগী থম্মোয়বু পুদুনা চৎখি।

ঙসি লেইশিনখিবা ফোক ঈশৈ ফেষ্টিবেল অসিদা শরুক য়াখিবা শৈশক্লোয়শিংগী থম্মোয়দা মকা লাম্না পামজনা থৱায় চঙনা শকপা মরম্না মীয়াম্বুসু শুমহৎখি। অয়েংবা মীয়ামগী থম্মোয়দা খলহন্নবা অমদি য়োকখৎহন্নিংবগী ইথিল পীখিবা ফোক ম্যুজিক ফেষ্টিবেল ওইখি হায়না লৌগনি। মরমদি শক্লিবা ঈশৈগী শৈহেক শৈদা অমদি মহৌশাগী ফজবা, লম্মিৎ-তুম্মিৎকী মফম কয়াদা শৈথাবা কয়াগী মশকনি। মাগী-মাগী ফুরুপকী ওইবা শৈহেক শৈদা অমদি মওং মতৌগী তোঙানবা মশক কয়া অমসু খঙবা ঙল্লি।




মীয়াম্বু শুম্হৎ লাং থাক্তুনা ম্যুজিক য়াওদনা শকখিবা খুল্লং ঈশৈগী মতাংদা থোকচোম পুন্সিবনা হায়খি, খুল্লং ঈশৈ হায়বসিদি ম্যুজিক্কী ইনষ্ট্রুমেন্ট য়াওরগা শক্কদবা নত্তে। ঐখোয়না খুঙ্গং অমদি লোয়জি-লোয়াদা শকপনি। অদুনা খুল্লং ঈশৈ শকপদা হারমনিয়মগী পাদা য়াওদে। ম্যুজিক্কী ইনষ্ট্রুমেন্টশিং য়াওদে। ম্যুজিক শীজিন্নরবসু চীন্না হো, হোয়, হায়বা চীন্না হায়বা অদুনা শীজিন্নবনি। খোন্থোক্কী ওইবা তান্থানি।

খুল্লং ঈশৈগী তাল হায়বা তারবদি এক্টিং অসিনা খুল্লং ঈশৈগী তালনি। খুল্লং ঈশৈ মশক খঙগে হায়রবদি হি তোংলগা শকপা ঈশৈনা খঙবা ঙমগনি। মরমদি ঈশিং হায়বসিনা সাউন্দ অসি ফাজিন্দে। ঈশিংগী ঈপোমদা হি তোংদুনা শকপা খুল্লং ঈশৈগী খোন্থাং য়ৈনা শন্দোকখিবা খোঞ্জেলদা তোঙানবা মশক, মহাও অমা ফংগনি।

হৌজিক মণিপুরগী লৈরিবা শক্লরিবা অসিদি মানা মানা অপাম-অপাম্বদা শক্লে। মেক-অপ তৌরবা ঈশৈনি হায়বা তারে। হারমনিয়ম পাদাদা শকপনি। অশেংবা শৈশক ওইরবদি খোন্থোক অসি মথক্তা খরা হায়গৎলি। তেংথারেল হায়বসিনি শৈথারিবসিসু, ইমাগী খোল্লাং লম্মন শিংবা ঙমদে। ইমাগীদমক্তা ঐখোয়না হৈ-লৈ কৎলবসু মদুনা শিংবা কৌবা ঙমদে। মীৎকী পিরাং অসি ইমাগী খোল্লং লম্মন শিংবা ঙমগনি হায়না শৈথাবনি হায়খি।

মরিং ফোক ঈশৈগী ওজা এম এল মেদুননা হায়, শিবা অমসুং শার্ধগী ঈশৈনি ঙসি শক্লিবসি। মরিং লোলদা বেংথুইলা অমসুং রিমচীংলা হায়বনি। ঈশৈ অসিদা লিনতুং হায়বা শা মখল অমা লৈ। মসি লৈমায়দসু লৈবা, উপাম্বীদসু লৈবা ঙম্বা মফম খুদিংদা লৈবা ঙম্বদা শৈথাবা য়াওরি। ঈশৈ অসি ইপা ইপুদগী লৈরক্লবা নন-খৃষ্টান ওইরিঙৈগীনি হায়খি।

মরিং ফুরুপকী ওইনা কলচর য়োকখৎতুনা ঙসি ফাওবদা লাক্লিবসি শন্দং শেনবা মরিং খক্তনি হায়বা য়াই। মরিংগী ওইনা লারুং (ওজা) ওইবসি হেক্তা ওইবা য়াদে। য়ু খরুং অমদি শিংজু তৌদুনা ওজা অহলশিং ময়াম কৌদুনা পীজ-পীথক্কনি। মসিদা ওজা অহলশিংনা লাইরোল শোন্দুনা য়ু পীথক্লগা কোক্তা নান্থগনি। কোক্তা নান্থবদা, খৌনাও ফনবা, না তানবা থৌজালগী ৰাহৈ হায়গনি। অসুম্না ঐসু লারুং অসিগী ফমথোল কাবনি।

ফোক ঈশৈ, জগোয় কয়া অসি লাইরোল মপুং ফানা য়াওদবনিনা খৃষ্টান লাইনিং লৌরবসু শীজিন্নবা য়াই। শক শোনবদা করিসু অকায়বা লৈতে। লাইরোল য়াওদবা কষ্টমরিগী ওইবা কয়াদি খৃষ্টান লাইনিংদা য়াওবা য়াই। লাইরোল য়াওরবদি য়াদে। মরিং ট্রাইব অমা ওইনা মরিং ওইনা অদুম্মক হিংদুনা লৈনিংই। নুংশি-চান্ননা মরিং ট্রাইব ওইনা হিংবা ঙম্ন বগীদমক্তা কষ্টমরিগী ওইবা কয়াদি য়োকখৎপা পাম্মী।

মরিংগী ওইনা লৈরক্লবা নাগা খাং অমদি কালাখাং হায়বা শঙ অসি মাঙখ্রে। শঙ অসি লৈশা পাখংগী অমদি ৰা তান্নফম ওইনা শেম্বনি। মসি হৌজিক মাঙখ্রে ৰারী খক্তা ঙাইরে। এক্টিভিটিজ য়াওদ্রবদি মাঙখ্রগনি। অদুনা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অমদি ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা মতেং পাংবীদুনা নাগা খাং অমদি কালা খাং অসি শন্দং শেনবা মরিং ভিলেজগী ওইনা শাহন্নিংবগী অপাম্বা ফোঙদোরক্লি।

পুরুম ফুরুপকী ফোক ঈশৈদা সাদংলা, রুলৱাংলা, কাদিংলা অমসুং খোলৈলাগী মিংথোনবা ঈশৈশিং শকখি। খুন অমগা খুন অমগা লৈনবা মরীদা শিংথাবা কয়াসু য়াওরি। পুরুম ফুরুপকী ওইনা অয়াম্বনা মাঙখ্রে। অহৈবা অখঙবা অহলশিংসু অয়াম্বনা লৈখিদ্রে। মরুওইনা মাঙবগী মরমদি খৃষ্টান ওইবদগীনি। হৌজিক লৈরিবা খরা অসি মপুং ফাবদি ঙল্লরোই। মরমদি খৃষ্টান ওনবদগী লৌহৌদ্রে।

মপুং ফাদ্রবসু হৌজিক পুরুমগী মী অরৈবমখৈ, অঙাংশিং, মৌ কয়া য়াওনা তম্বা হৌরে। খৃষ্টমাসতসু ঈশৈ জগোয় কয়াসি কম্পিটিসন তৌদুনা কাউদনবা হোৎনবা হৌরে। অদুবু ঐখোয়গী খ্বাইদগী লাইবক থিবা অমনা কলচরগী জগোয় শারবসু মদুদা শেৎনবা ট্রেদিসনেল দ্রেস অসি শেল চঙবা মরম্না লৈবা ঙমদ্রি। ফোক ঈশৈগী ম্যুজিক ইনষ্ট্রুমেন্টশিং লীক কোলদা ওইরবসু নৌনা অমুক লৈরগা থম্বা তাই। মসি লৈনবা শেল লৈতবনিনা মপুং ফাবা ঙমদ্রি।

মরী লৈনবা ট্রাইবেল রিসার্চ ইনষ্টিট্যুসন অমদি মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিং অমদি মণিপুর গভর্ণমেন্টনা শেলগী মতেং খরা পীবীরবদি কলচর য়োকখৎপদা মতেং পাংগনি খল্লি। মণিপুরদা লৈরিবা ফুরুপশিং অসি অচৌবসু অপীকপসু কলচর লৈরি। মসিদা মণিপুর গভর্ণমেন্টনা মান্নদবা কলচরশিং অসিদা মাইনোরিটি ওইরবসু ফুরুপপু উবীদবা মানবা অমা লৈরি। অদুনা অপীকপা মাইনোরিটি ওইরবা ফুরুপশিংগী কলচরশিং মাঙদনবা গভর্ণমেন্টনা মীৎয়েং চঙহন্নিংই হায়খি।



কবুই ফুরুপকী শৈশকখিবী কাফুলুই কবুইনা হায়খি, মমাঙ চহী খরদা লেপ্লুরবসু হৌজিক্তি কবুই অয়াম্বা ইনৌ নৌনা পুরানগী ৰারী থীবা হৌরক্লে। কবুইগী কলচর অসি ঙসিদি খঙদবা লৈরক্তে হায়বা য়ারে। ঐসু হৌজিক ফাওবদি অহলগী ফম কাদ্রি অদুনা মৌ মরক্তা তীন্দুনা য়াওরি। অহলগী ফম কারবদি তীনবা ফংলরোই। অহলগী ফম কাবা শাগৈ নাতে বার্তন তৌদুনা চাক খাংগনি। অদুগা অহলগী ফম কাগনি। ঐখোয়না নহা ওইরিঙৈদা কলচর কুম্মৈ কয়া য়াওবদা নুংঙাইবদু হৌজিক্তি খেন্নরে হায়খি।



মণিপুরগী পুৱারীগা শাগোন্নরক্লবা, মণিপুরগী য়েলহৌমীশিংগী ওইবা নাৎ কলচর হায়বসিনা অচৌবা চীংমীশিংগী ফুরুপতা মশক তাক্তুনা লাকখি। চীং-তমগী য়েলহৌমীগী হিংমিন্নবদা নাৎ কলচর অসি চৈঙাক ওইরগা য়াওনদুনা লাক্লবা অমনি।

ফোক ম্যুজিক্কী ওইবা মীৎয়েং অমদি ৰাহন্থোক্তা য়েংলুরবসু অদুক্কী মতিক চাউখৎলম্লবা মণিপুরী খুন্নাইনি। ফোক ম্যুজিক হায়বসি পুৱারীগী ৰারী লীবনি। মতমদুগী লৈরম্বা ফীভম, হিংবগী মহাও, নুংশিনবগী মরী, চীং-তমগী ওইবা নুংশি লিপুন, শাদা লান্দা, ফিজেৎতা চাকচেৎতা, অকন-অথৌদা, শুবা-নোম্বদা, হৈপাল-লৈপাল কয়াগী অমদি নিংথৌরোলশিংগী ৰারীদা য়ুম্ফম থোনবা ঙাক্তনি।

ৰারীশিং অসি তাঙ্কক নাইনা, তান্থা চানা মতিক ময়ায়শিং অদু শৈথাদুনা শকই। ফোক ঈশৈ হায়বসি চিন্থাং ৰারীনি, ওরেলনি। ঈশৈ ওইনা শক্তুনা পুৱারীবু মীরোল অমদগী মীরোল অমদা চিন্থাং ঈশৈ ওইনা তম্বীদুনা খঙহন্দুনা লাকখি। মসিসু এদ্যুকেসনগী লমায় অমা হাংদোকপনি। ইথোক্তুনা থম্বা ঙল্লমদ্রবসু ঈশৈ ওইনা শক্তুনা চিনফা পুদুনা লাকপা হায়বসি লৌশিংগী পূক্কেদসু মপাল নাইদে হায়বদু তাকপনি।

মৈতৈগীদা হায়রবসু পেনাদা শৈথারিবা শৈশক্কী মতিক ময়ায় অসিদি লাইগী হাক্তক্তগী হৌরগা, মীগা লাইগা শম্নরক্লবা তাঙ্কক্কী ওইবা পুৱারীগী ৰারী লিখুন ঙাক্তনি। খুল্লং ঈশৈদা, খুনুং ঈশৈদা, মোইরাং কংলৈরোলদা তোঙান তোঙানবা, মফম-মফমগী ওইবা কলচর কয়াবুসু শক্তাক লিবা ফোক ম্যুজিকনি। ফোক ম্যুজিক হায়রগা ঈশৈগী শৈথারেল অমদি তান্থা অসিগা চান্ননা ৰারী লীরিবা ঙাক্তনি।

নোমিতা খোংবান্তাবম

অদুনা ফোক ম্যুজিক্কী ওইবা মতিক ময়ায় অসিদি মাঙখিদনবা হোৎনবা চঙই। রেকোর্দ তৌদুনা থমহৌবা হায়বসিসু তঙাইফদে। মরুওইরিবদি ফুরুপ খুদিংমক্কী খুনশিংদা মখোয়গী পুৱারীবু হঙ্গৎনা য়েংহন্দুনা খঙহনবা চঙই। খুন-খুনগী ওইবদা ইনষ্টিট্যুসন ওইনা চাউনা লীংবমক নৎত্রবসু বেসিক্কী টার্মদা হাংদুনা তমহনবা হায়বসি য়াম্না মরুওইবা মতম ওইরক্লে হায়বা য়াই।

কলচর, ট্রেদিসন, ফোক ম্যুজিক হায়বসি য়োকখৎপদা মণিপুরগী লৈঙাক্লোইশিংগী অচৌবা থৌদাং লৌফম থোকই হায়বসি কাউনবগুম্না উরি। মসি লমদমসিগীদি খ্বাইদগী লাইবক থিবা অমনি। মণিপুর ষ্টেট অসিগী কলচরেল য়ুনিভর্সিটি অমা লিংবা হায়বসি থাগৎলি। কলচরেল য়ুনিভর্সিটিনা মণিপুর লমদমসিগী খুন্নাইদা লৌগদৌরিবা থৌদাং অসি য়াম্না চাউই।

চীং-তম নকশিন্নবগী মরীদা য়ুম্ফম থোনবনি। মসিনা চীং-তমগী খুন্নাইগী য়াওলদা পুৱারীগী খোঙ্গুল লীক্লমদা হেন্না চাউথোরক্কনি। য়ুনিটি অমসুং ইন্টিগ্রিটিগী মরু হুনগদৌরিবা কলচরেল য়ুনিভর্সিটিনি। লাইনা হেক্তা লৌবা য়ারোই। মসিগীসু মথক্তা লমদম অসিগী পুৱারীগা শাগোন্নরক্লবা য়েলহৌমীশিংগী লৈজরক্লবা ফোক কলচর অসিদা অহানবা মীৎয়েং থমদুনা পায়খৎফম থোকই। একাদেমীক ওইবা মওংদা পুথোক্লবা হোৎনবদা হেন্না খঙ-হৈরবা কয়া চুংশিন্নবা চঙই।

চীংমী-তম্মীগী ওইবা মরীদা হেন্না নুংশি-চান্নবা পুরক্লবা হোৎনবদা কলচরেল য়ুনিভর্সিটিনা অচৌবা থৌদাং লৌফম থোকই। লৈঙাক্লোইশিংগী অশানবা মীৎয়েং য়েংবগী হৈনবী থম্বা তঙাইফদ্রে। ফোক কলচর, ট্রেদিসন অমদি আইদেন্টিটি হায়বসিদা কলচরেল য়ুনিভর্সিটিনা লৌগদবা রোল অমদি থাংগদবা খোঙথাং অসিদি মণিপুর লমদম অসিগী তাশিন-খোমজিনবদা হেন্না মশক থোক্লা লৈহনবা চঙই।